বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# ইস্লোক ফুটবোল ক্লবনা এফ কে বিটেবস্কবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা বেলারস প্রেমিয়র লীগকী ২শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে



মিন্সক, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): বেলারস লৈবাক্তা পাঙথোক্লিবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দদা ইস্লোক মিন্সক এফ সীনা এফ কে বিটেবস্কবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ২শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক অমগা অমগা চখোক চৎশিনগী লমদা অথিংবা থমখ্রবা মতুং শান্নবগী লমদসু মমাঙদা শান্নরম্বা টুর্নামেন্ট কয়া য়েথোকপা অমদি তোকপগী খোঙথাং কয়া লৌখৎনখ্রবনি।

মসিগী মনুংদা য়ুরোপকী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লৈনা লৈনা ভাবোক য়াওদনা শান্নবগী লমদা মখা চথুরিবা লৈবাক অমা ওইনা কন্টিনেন্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক অমা ওইনা বেলারসতা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট চথুরি।

লৈবাক অদুগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অদু শান্নবদা য়ানিংদবা অমদি পামদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরবসু টেলিভিজনগী খুত্থাংদা বেলারসকী প্রেমিয়র ফুটবোল লীগ অদু য়েংবা ফংলিবা লোকদাউন মনুংদা লৈরিবা ফুটবোলবু পামজবা য়ুরোপ অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী অরোইবা মেচতা ইস্লোক মিন্সক ফুটবোল ক্লব অমসুং এফ কে বিটেবস্ককা লম্বা তৌনবদা মেচ অদুগী পুংখাই অমরোম পাঞ্জল চন্নবা ঙম্লদনা লৈরবা মতুং ৩৭শুবা মিনটতা ইস্লোক্কী মায়কৈদগী পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় দিমিত্রি কোমারোপস্কিনা অশোই অঙাম য়াওদনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ অদুদা টিম অদুনা ১-০দা মাংজিল থাখি।

অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা বিটেবস্ককী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা ইস্লোকনা মখোয়বু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা এফ কে বিটেবস্ককী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FK Slutsk | 6 | 4 | 1 | 1 | 12 | 8 | +4 | 13 |
| 2 | Isloch Minsk Raion | 6 | 4 | 0 | 2 | 9 | 7 | +2 | 12 |
| 3 | Torpedo-Zhodino | 6 | 3 | 2 | 1 | 4 | 2 | +2 | 11 |
| 4 | BATE Borisov | 6 | 3 | 1 | 2 | 8 | 5 | +3 | 10 |
| 5 | FK Vitebsk | 6 | 3 | 1 | 2 | 4 | 5 | -1 | 10 |
| 6 | Gorodeya | 6 | 3 | 0 | 3 | 3 | 5 | -2 | 9 |
| 7 | Energetik-BGU | 6 | 3 | 0 | 3 | 6 | 7 | -1 | 9 |
| 9 | Dinamo Minsk | 6 | 3 | 0 | 3 | 9 | 6 | +3 | 9 |
| 8 | Minsk | 6 | 3 | 0 | 3 | 9 | 10 | −1 | 9 |
| 10 | Neman Grodno | 6 | 2 | 2 | 2 | 6 | 4 | +2 | 8 |
| 11 | Shakhtyor Soligorsk | 6 | 2 | 2 | 2 | 5 | 3 | 2 | 8 |
| 12 | FC Ruh Brest | 6 | 2 | 1 | 3 | 6 | 7 | -1 | 7 |
| 13 | Slavia Mozyr | 6 | 2 | 1 | 3 | 7 | 10 | −3 | 7 |
| 14 | Dynamo Brest | 6 | 2 | 1 | 3 | 6 | 7 | -1 | 7 |
| 15 | FC Smolevichi | 6 | 0 | 3 | 3 | 3 | 7 | −4 | 3 |
| 16 | Belshina Bobruisk | 6 | 0 | 2 | 4 | 5 | 10 | −5 | 2 |


বিটেবস্ককী এটেকশিং অদু ইস্লোক্কী দিফেন্দরশিংনা মতাং মতম চানা ঙাকথোকপা ঙমদুদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা এটেকশিং লৈহনখিদবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা ইস্লোক্কী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় নিকোলাই য়ানুসনা পাস তৌরকপা বোল অমা টিমমেট মোমো য়ানসানেনা য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল চল্লগা এফ কে বিটেবস্ককী মায়কৈদা ইস্লোকনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী লেমহৌবা পুংখাই হেনবগী মতম অদুদা পাঞ্জল ২ শোত্থরবা এফ কে বিটেবস্ককী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা চনবা ঙমদনা মেচ অদু ইস্লোকনা ২-০দা থোইরগা মেচ অদু লোইশিনখিবদগী টিম অদু টিম ১৬কী লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা পোইন্ট ১২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি।

বেলারস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা স্লুৎস্ক ফুটবোল ক্লবনা মেচ ৬ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা মেচ অমা দ্রো চৎপা অমদি অতোপ্পা মেচ অমা মায়থীবা নংলগা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ঙরাং অথেংবদা মায় পাকখিবা ইস্লোক্স মিনস্কনা মেচ ৬ শান্নবদা পোইন্ট ১২ ফংলগা ২শুবা থাক্তা লৈরি। অদুগা টোর্পিদো বেলএজেদ ঝোদিনোনা মেচ ৬তা পোইন্ট ১১ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদালৈবা ঙম্লি।

# কবাদ্দি মশান্না ওলিম্পিক্সতা য়াওহনবনা পান্দম ওইরি : রিজিজু



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা কবাদ্দি মশান্না অসি ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা অচৌবা ইনোট অমা পীবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা মশান্না অসি শৌগৎনবা হোৎনবদা ওলিম্পিক্সতা য়াওহনবনা অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা কবাদ্দি মশান্না অসি এসিয়ন গেমসতা মেদল পীবা দিসিপ্লিন অমা ওইখিবগা লোয়ননা মশান্না অসি মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখিবনি।

কবাদ্দি মশান্না অসি মালেমগী থাক্তা য়ৌহন্নবগীদমক এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা পুনশিন্নদুনা ওলিম্পিক্সতা য়াওহন্নবগী খোঙথাং অদু চঙশিনমিন্নবগী তাঙ্কক অদু য়ৌরে হায়খি।

হিরম অসিগী মতাংদা রিজিজুনা মখা তাখিবদা ওলিম্পিক্সতা কবাদ্দি মশান্না অসি মেদল দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওহন্নবগীদমক মশান্না অসিগী হৌরকফম ওইরিবা ইন্দিয়াদা মশান্না অসিগী লৈরিবা কাংলোনশিং অমদি শান্নবগী লমদা লৈরিবা অতোপ্পা ইভেন্টশিংনসু অৱাংবা থাক্কী মশান্না অমনি হায়না লৌহন্নবগী খোঙথাং অমা তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

কিরেন রিজিজুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা লৈবা কোচ ৭০০ অমদি সাউথ কোরিয়া লোয়ননা মলেসিয়া লৈবাক্কী কোচশিংগা ওনলাইনদা কবাদ্দি মশান্না অসিগী হিরমদা স্পোর্টস ওথোরিটি অফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মশান্না অসিগী হিরমদা হেন্না খঙনবগী প্রোগ্রমা অদুদা শরুক য়াখি।

রিজিজুনা মখা তাখিবদা, মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা চৈথেং পীরিবা তাঙ্কক অসিদা লৈবাক খুদিংমক্লা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা লাম্থেং অসি মায় পাক্কনি হায়না থাজবা থমখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা হিরম খুদিংমক্কী মশান্নগী লমদা শান্নরোয় অমদি এসোসিএসনশিংনা হান্না লৈরম্বা ফিভম অদুদগী ফগৎনা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

ওনলাইনদা পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস ওথোরিটি অফ ইন্দিয়া অমদি নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগী অপুনবা খোঙথাং অসি মায় পাক্লি। লোয়ননা মখা তাবদসু অহেনবা কান্নবা কয়া অমা শান্নরোয়শিংদা পীবা ঙমগনি হায়রি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ১ নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসনবু নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরিনা মায়থীবা পীখ্রে, ইরানগী অলিরিজা ফিরোজা মায় পাকখ্রে





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): মালেমগী নুপাগী চেছ শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইরিবা নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসননা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮গী ওইবা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লিবা অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দদা কার্লসনবু নেদর্লেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিনা মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা, চহী ১৬তা ঙাইরিবা ইরানগী গ্রান্দমাষ্টর অলিরিজা ফিরোজানা ফ্রান্সকী মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবপু থোইবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ১ মেগনস কার্লসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা ওনলাইন ইনভেইটেস্নেল চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না মকোক থোংবা গ্রান্দমাষ্টরনা ৮না শরুক য়ারিবনি। থা অসিগী ১৮দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী মনা লৈরিবনি। রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিল্লকপদা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৪না নোকআউট ফোর্মেটতা শান্নগদৌরিবনি।

রাউন্দ অমদা শান্নরোয় ২না গেম ৪/৪ লম্বা তৌনৈ। হায়রিবা গেম ৪ অদুদা শান্নরোয় ২না পোইন্ট মান্নদুনা লৈরবদি টাইব্রেক ওইবা অর্মাগেদন মেচ শান্নগনি। মদুদা অমুবা মচু পায়বা শান্নরোয় অদুনা মায় পাকপা ওইগদৌরিবনি। ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা শান্নরোয় অদুনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ৭০,০০০গী মনা ফংগদৌরি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট শিল্লিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসন অমসুং নেদর্লেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরি লম্বা তৌনখি। অহানবা গেমদা অনিস গিরিনা অঙৌবা মচু পায়রগা শান্নবদা দ্রো চৎখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কার্লসনা অঙৌবা মচু পায়রবসু অনিস গিরিনা ফজবা হেনখিবদগী মায় পাকখি। পোইন্ট ১.৫-০.৫তা মাংজিল থারিবা অনিস গিরিনা মখা তাবা গেম অনী দ্রো শান্নখিবদগী রাউন্দ অদু মহাক্না মেগনস কার্লসনবু ২.৫-১.৫তা থোইবা ঙমখি।

অতোপ্পা ৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইরানগী নহা ওইরিবা অলিরিজা ফিরোজানা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবপু পোইন্ট ২.৫-১.৫তা মায়থীবা পীখি। অহানবা গেম অদু দ্রো চৎখ্রবা মতুং অহুমশুবা গেমদা ফিরোজানা লাগ্রেবপু থোইখি। অদুগা ৪শুবা গেমদা দ্রো চৎতুনা রাউন্দ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা মেগনস কার্লসননা পোইন্ট ১১ ফংলগা মকোক থোংলি। অনীশুবা পোজিসনদা য়ু এস এগী হিকারু নকামুরা পোইন্ট ১০ ফংলি। মমাঙগী রাউন্দশিংদা ফজবা ঙমখিদবা নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরি অমসুং ইরানগী অলিরিজা ফিরোজা ৯শুবা রাউন্দদা মায় পাকপদগী মথং শীৎনা পোইন্ট ৪ অমসুং ৩ ফংলগা শান্নরোয় ৮গী ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা অমদি ৮শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# ইরাননা ফিফাগী শেলগী মতেং ফংদ্রি হায়খ্রে

টেহরান, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা শান্নবগী লমদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিঙৈ মতমদা ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা ফিফানা তোঙান-তোঙানবা লুপ অসিগী মখাদা লৈবা মেম্বরশিংদা শেলগী মতেং লাউথোকখিবা অদু ইরান লৈবাক্কী ওইনদি ফংদ্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইরানিয়ন ফুটবোল ফেদরেসননা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা ফিফাগী মায়কৈদগী লাউথোকখিবা শেলগী মতেং অদু লৈবাক অদুগী ওইনা বেঙ্কিং সিষ্টেমদা তোঙানবা শেনফম অমত্তা লাক্ত্রি হায়না লৈবাক অদুগী কোনুং টেহরানদা ফোঙবা মরু ওইবা পাউচে অমগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ফিফানা লাউথোকখিবদা নেসনল ফুটবোল ফেদরেসন ২১১দা শেলগী মতেং ওইনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০ পীগনি হায়না থমখ্রবসু য়ু এস এগী মায়কৈদগী ইরানগী বেঙ্কিং সিষ্টেমদা অথিংবা খরা লৈবা মরম্না ফিফাগী শেন্থংশিং অদু য়ৌরক্ত্রি হায়রি। ইরানিয়ন ফুটবোল ফেদরেসনগী ট্রেজরর আলি সোলৈমানিনা ফোঙদোরকপদা ফিফাগী মায়কৈদগী পিথরকপা শেনফমশিং অদু লৈবাক অদুগী ট্রেজরিদা য়ৌরকপা ঙমদ্রি হায়খি।

# এম সী মেরি কোমনা কোভিদ-১৯ লোকদাউন মনুংদা ফিট ওইনা লৈননবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী মালেমগী মমিং লৈরবী ইন্দিয়গী বোক্সর এম সী মেরি কোমনা মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা লোকদাউন মনুংদা শান্নরোয়শিংনা কম্পিটিসনদা শরুক য়াদ্রিঙৈ মনুং অসিদা মশা ফিট ওইনা লৈননবা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মমাঙ থাগী ২৫দগী কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা থল্লকখিবা লোকদাউন মে থাগী ৩ ফাওবা শাংদোকখ্রবা মতুং শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী ট্রেনিং সেন্টর অমদি ময়ুমদা লৈনা লৈনা মশাগী ষ্টেমিনা অমদি কম্পিটিসনশিং মায়োক্লবদা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ফোঙদোরক্তুনা নোংমগী ওইবা মতম খাইদোক্তুনা শাজেল তৌবা, চানবগী পোৎলমশিং মচল শুনা চাবা অমদি খাঙবা কনবগী ৱাখল্লোল অদু লৈরবা মতমদতা শান্নরোয় অমগী হকচাং অদুনা কান্নবা পীরক্কনি হায়না পাউজে ল্লক্লি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মীওই ২৯,১৯২ শোকহনখ্রবা মতুং মীওই ৯৬৭ শীহনখ্রবনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৬৩৬১না নারুবদগী ফবা ঙমখ্রবনি।

লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা বোক্সিং মশান্না খক্তগা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী শান্নরোয়শিংনা কম্পিটিসন লৈতবা মরম্না মশা খিংনা শেম শাননবগীদমক্তা অতোপ্পা পান্থে য়াওদ্রবসু শান্নরোয়শিং অসিনা লৈরিবা মফমশিং অদুদা মশা মশাগী ওইবা শাজেল অমদি চাবগী লমদা চেকশিনবা লোয়ননা খাঙবা কনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

# অর্সনেল ফুটবোল ক্লবনা ট্রেনিংগী মতম পীগদৌরি

লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অর্সনেলনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী চৈথেং মরক অসিদা ট্রেনিং মখা তানা চথুনবগীদমক অকক্নবগী মতম অমা পীগদৌরি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ওইনা অর্সনেল ফুটবোল ক্লবনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং ট্রেনিং চথুবা হৌহন্নবগী ৱারেপ অসি লীগ অদুগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী মনুংদা মখোয়না অহানবা ওইরি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ওইনা অর্সনেলল ফুটবোল ক্লব ৯শুবা থাক্তা লৈরি। টিম অসিনা মখা তারকপা লীগকী রাউন্দশিংদা মায় পাক্তুনা মকোক থোংবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

অর্সনেল ফুটবোল ক্লবকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকপদা মথংগী চয়োলদা ক্লব অসিগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী ওইবা ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিং অমদি শাজেল তৌবা য়ারগনি হায়রি। ৱাফম অসি লন্দনদা ফোঙবা নুংতিগী পাউচে অমদা ৱাঙাংলোই অসিনা ফোঙদোরকপনি। শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং সেন্টর অদুদা মথন্তা লাক্তুনা মশা মশাগী ওইবা শাজেল তৌরবা মতুং ময়ুমদা হনগদবনি। মদু নত্তনা টিমগী ওইবা অপুনবা অমদি কোচ য়াওবা ট্রেনিংগী থবক থৌরমশিংদি লৈখিরোই।

# ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ ওইরিবা সেরি এনা শান্নরোয়শিং মে ৪দগী ট্রেনিং চথুবদা অয়াবা পীখ্রে

রোম, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা শোকহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ৩শুবা থাক্তা লৈরিবা ইটালিগী ফুটবোলগী ওইবা খ্বাইদগী ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং মে থাগী ৪দগী ট্রেনিং চথুবদা অয়াবা পীখ্রে।

ইটালিদা ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মীওই ১,৯৭,৬৭৫ নাহনখ্রবনি। মসিগী মনুংদা মীওই ২৬,৬৪৪ শীহনখ্রবা মতুং লায়না অসি নারুরগা ফগৎলকপা মশিং ৬৪,৯২৮নি। তাঙ্কক অসিদা লৈবাক অসিগী ইকনমিদা য়াম্না চাওবা মফম অমা কনবা ঙল্লিবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অথিংবা থল্লুরবা মতুং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপি কোন্তেনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা মে থাগী ৪দগী লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং ট্রেনিং চথুবা য়ারগনি হায়খি।



ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপি কোন্তেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস এ অমসুং ইটালিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শীহনখ্রবা অমদি নাহনখ্রবা মীওই মশিং অদুদগী অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবা ইটালিদা লোকদাউন থল্লম্বদগী মখা তানা শান্নবগী হিরম খুদিংমক লেম্লম্বা অদু অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা সেরি এ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং মে থাগী ৪দগী ট্রেনিং চথুবা য়ারগনি হায়রি।

ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপি কোন্তনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা সেরি এদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা মশা মথন্তা মে ৪দগী ট্রেনিং চথুবা য়ারগনি। অদুগা টিমগী ওইনা অপুনবা ট্রেনিং অদুনা মে ১৮দগী চথুবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর কোন্তেনা ফোঙদোরকপদা সেরি এগী ওইনা চহীসিগী মার্চ ৯দগী লেপখ্রবা মতুং লেমহৌরিবা সিজনগী মেচশিং অদু মখা তানা চথুনবগী অকক্নবা মতম অদুদি ফোঙদোকপা লৈত্রি।

ইটালিগী মিনিষ্টর ওফ স্পোর্টস ভিনসেঞ্জো স্পাদাফোরানা ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা এক্সপার্টশিং, সাইন্টিসশিং অমদি শান্নবগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংগা কুপ্না নৈনরবা মতুং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টানা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু চেকশিন্না পায়খৎকনি হায়রি।

# খৃষ্টেল পেলেস এফ সীগী মায়কৈদগী মতেং কয়া পীগদৌরি

লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): ইংলেন্দগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা ক্লব অমা ওইরিবা খৃষ্টেল পেলেসকী চাকথোংগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মায়োক্লবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হেল্থ কেয়র ৱার্করশিং অমদি চৈথেং ফংলবা ইমুংমনুংশিংদা মতেং ওইনবগীদমক চয়োল অমদা চারা ৯০০ শেম শারগনি হায়খ্রে।

ৱাফম অসি খৃষ্টেল পেলেস এফ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্তুনা সাউথ লন্দনদা লৈবা অৱাবা তারবা ইমুং মনুংশিং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমদি নেসনল হেল্থ সার্ভিসতা লৈরিবা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দোক্তর অমদি নর্সশিংগী ওইবা চয়োল অমদা চারা ৯০০ শেমদুনা মতেং পাঙগদৌরি হায়রি।

খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী সিটি হার্বেস লন্দনগা খুৎশম্নদুনা লৈরিবা অৱাবা তারবা অমদি হকশেলগী লমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হেল্থ ৱার্করশিং অদুবু মতেং ওইননবা থবক লৌখৎলকপনি হায়রি।

ক্লব অসিগী সী ই ওগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা সাউথ লন্দনদা ক্লব অসিনা অঙন্বা মতেং পাঙদুনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com